**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27.03.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৭-০৩-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগী মীরেপ চে পীশিনবগী ঙসি অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা ইন্নরদা মীরেপ ৭ অমসুং আউতরদা মীরেপ মরিনা মীরেপ চে পীশিল্লকখ্রে । হয়েং স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি।

২) অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এপ্রিল ১৯ দা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র পুমমক অমসুং আউটরগী বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ দা ভোৎ থাদনগনি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্স অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক থৌবাল জিলাগী থ্বারোক চীংদা থীবা হুন্সবগী থবক চখবদা -নোংমৈ অমদি বোম কয়া ফাগৎখ্রে।

৪) লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা মনিপুর য়াওনা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোতির মরিগী লোক সভা সিট ১০২ দা ভোট থাদনগনি।

**অমসুং**

৫) হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা ইলেক্সন কম্মীসননা আই.টি-এপ অমসুং সিস্তেম ২৭ কী তেকোলোজি শিজিন্নগদৌরি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**নোমিনেসন(এল)ঃ** মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম ঙসিনা লোইরে। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা ইন্নরগী ওইনা মীরেপ ৭ অমসুং আউতরগী মীরেপ মরিনা মীরেপ চে পীশিল্লকখ্রে।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকীদমক বি.জে.পি মীরেপ অমসুং রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমার ঙসি সিট অসিগী রিতর্নিং ওফিসরসু ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনা টি.ঐচ কিরন কুমারদা মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখি। কংগ্রেস মীরেপ প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমসু ঙসি মীরেপচে পীশিনখি। রিপাব্লিকান পার্তি ওফ ইন্দিয়া (আর.পি.আই-অথৱালে)গী মীরেপ মহেশ্বর থৌনাউজমসু ঙসি মীরেপচে পীশিনখ্রে। ইম্ফালগী লম্ফেল পাৎতা লৈবা দি.সি ওফিসতা শ্রী বসন্তকুমারনা মীরেপচে পীশিনবা লাকপা অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, অতৈ মন্ত্রিশিং, রাজ্য সভা এম.পি লৈশেম্বা সনাজাউবা অমসুং বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবীনচিংবা লোয়নরকখি। কংগ্রেসকী মীরেপ শ্রী বিমোল অকোইজমসু মীরেপচে পীশিনবা লাকপাদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্র অমদি দলগী এম.এল.এশিং অমসুং অতৈ লুচিংবশিং লোয়নরকখি। অতৈ মীরেপ চে পীশিল্লকখিবশিং অদুদি রাজত্রিয়া জনহিট সংঘর্স পার্টিগী মীরেপ মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাবা,য়ুনভর্সিয়েল ফেমিলি পার্টিগী মীরেপ ঙাশেপম নিলাকান্ত সিংহ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ হাওরুংবম সারট সিংহনি। মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি)গী মীরেপ আর.কে. সোমোরেন্দ্রোদি হান্ননা মীরেপচে পীশিনখ্রবনি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী সোইবম বিনোইনা হায়- আউটর মণিপুর সিটকী ওইনা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ)কী মীরেপ কে. তিমোথি জিমিক , ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ডাঃ অলিসন অবোনমাই অমসুং খো-জোন সিট অসিগী রিতর্নিং ওফিসর ওইরিবা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম সুবাসতা মীরেপচে পীশিনখি। শ্রী জিমিকতি ঙসি মীরেপচে অনি পীশিনখি। মহাক হান্নসু মীরেপচে অমা পীশিনখ্রবনি। কংগ্রেস মীরেপ অলফ্রেদ কণ্ঙম অর্থরসু মীরেপচে পীশিনখ্রে। মহাকনা মীরেপ চে পীশিনবা অদুদা কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবি, কংগ্রেস ৱার্কিং কম্মীতিগী মেম্বর গাইখাংঙম, এম.এল.এ- কে. রঞ্জিৎ,ও.সুর্জা কুমার অমসুং অতৈ কংগ্রেস লুচিংবা কয়া লোয়নরকখি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিনবা ঙসি লোইখ্রবা মতুং স্ক্রুতিনি হয়েং পাঙথোক্কনি। ইন্নরগী ওইনা স্ক্রুতিনি হয়েং অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগ রিটর্নিং ওফিসরগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৩০ দনি। মনিপুরগী ওইনা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬ তা তাঙ্কক অনি থোকা ভোৎ থাদনগনি। জন ৪ দা ভোৎ মশিং থীগনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এপ্রিল ১৯ দা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মনুংদা চনবা বিধান সভা কেন্দ্র পুমমক অমসুং আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ দা ভোৎ থাদনগনি। আউটর সিটকী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দি অনিসুবা তাঙ্কক এপ্রিল ২৬ তা ভোৎ থাদনগনি। হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদা মণিপুরগী সিট অনিদা পুন্না ভোতর লাখ ২০ লিশিং ২৬,৬২৩ না ভোৎ থাদনগনি। মসিগী মনুংদা নুপী ভোতর লাখ ১০ লিশিং ৪৬,৭০৬ অমসুং থার্দ জেন্দর ২৩৯ য়াওরি। ইন্নর মণিপুরগী ওইনা পুন্না ভোতর লাখ ৯ লিশিং ৮৯,৮৮৭ না অমসুং আউটর মণিপুরদনা অপুনবা ভোতর লাখ ১০ লিশিং লিশিং ৩৬,৭৩৬ না ভোৎ থাদনগনি।

মীখল অসিগীদমক ইন্নর মণিপুরদা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,৩১৯ অমসুং আউটর মণিপুরদা লিশিং ১,৬৩৬ হাংগনি। মীখল অসি শান্তি ওইনা চুমা অমসুং নিংতমা পাঙথোকপা ঙমবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি।

**চুরাচান্দপুর(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পোল্লিং পরসনেলশিংগী ওইবা নুমিৎ নিনিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি চুরাচান্দপুর গভর্নমেন্ত কলেজতা পাঙথোকখ্রে। অহানবা রাউন্দগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা পোল্লিং ওফিসিয়েল নুপা ৯০১ শরুক য়াখি । নুপী পোল্লিং ওফিসিয়েল ৬১৫গী ত্রেনিংনা হয়েং পাঙথোক্কনি।

চুরাচান্দপুর জিলাদা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ২৭৪ লৈ। মসিগী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ১১০ দি নুপী ঙাক্তনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসননি। মসিগী মথক্তা পোল্লিং ষ্টেসন ১৫ না ইন্তরনেলি দিসপ্লেস পরসনশিংগীনি

**কাংপোকপী(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী ওইনা নুপী পোল্লিং পরসনেলশিংগী ওইবা অহানবা তাঙ্ককী ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা লৈবা সদর হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা নুপী পোল্লিং পরসনেল ১৬৩ শরুক য়ারি। থা অসিগী ৩০ ফাওবদা জিলা অসিগী ওইনা নুপী পোল্লিং পরসনেল ৬৫১ ত্রেনিং তৌগনি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা স্বইপকী থবক থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

**নোনে(এল)ঃ** নোনে জিলাগী মীখলদা মথৌ পাঙথোক্কদবা প্রিসাইদিং ওফিসরশিং অমসুং পোল্লিং ওফিসিয়েলশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অসিগী দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিদা পুন্না ভোতর লিশিং ২৯,৪৩৮ লৈ। পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৫২ দা ভোট থাদবা য়াগনি।

**উখ্‌ল(এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা মীখলদা মথৌ তৌগদবা প্রিসাইদিং ওফিসরশিং অমদি পোল্লিং ওফিসিয়েলশিংগী অহানবা তাঙ্ককী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা উখ্রুল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা পোল্লিং ওফিসর ২৪৫ শরু য়াখি। জিলা অসিদা নুপী পোল্লিং পরসনেল খক্তনা মথো তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪৫ হাংদোকবা হোৎনরি।

**ককচিং(এল) ঃ** ককচিং জিলাদসু স্বইপ কেম্পগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া মরুম পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট দিসএব্লিতি রিহেব্লিতেসন সেন্তরদা লৈরিবা মীগা মীমান্নদ্রবশিংগীদমক কেম্পেইন অদু পাঙথোকপনি। মদুদা ইলেক্সন কম্মীসনগী সকস্যাম এপকী মতাংদা মীয়াম্না ভাব তাহনখি।

**ওপরেসন(এল) ঃ** স্পিসিয়েল ওপরেসন গ্রুপ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস,৩৩ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং য়াইরিপোক পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক থৌবাল জিলাগী থ্বারোক চীংদা থাবা হুম্বগী থবক চখ্খবদা -নোংমৈ অমদি বোম কয়া ফাগৎখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়- থ্বারোক চীংদা বোম য়াওনা খুৎলায় কয়া লোৎতুনা থম্লে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি অয়ুক পুং ৫ মখায় রোম তাবা অদুৱাইদা মফম অদুদা চংশিন্দুনা মেতেল দিতেক্তর শিজিন্নদুনা থীবা হুম্বগী থবক চখ্খি। মদুদা ইন্সাস এল.এম.জি রাইফল অমা,এস.এম.জি করবান্দ অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৯, হেন্দ গ্রেনেট ৫, টু ইঞ্চ মোতার অনি, আই .ই.দি বোম অমা, ৱাকি টৌক্কী অমা, তিয়র স্মোক সেল অহুম, দিতোনেতর ৫ ফাগৎপা ঙমখি।

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**নোমিনেসঃ** লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্ককী মীরেপ চে পীশিনবা ঙসি লোইরে। বিহারগী ওইনদি মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম হয়েংনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোতির মরিগী লোক সভা সিট ১০২ দা মীখল পাঙথোক্কনি। সিটশিং অদুদি টামিল নাদুদা ৩৯, রাজস্তানদা ১২, উত্তর প্রদেশতা ৮,মধ্য প্রদেশকী সিট ৬, উত্তরখন , অসাম অমসুং মহারাস্ত্রাগী সিট ৫-৫ , বিহারগী সিট ৪,নোংচুপ বেঙ্গোলগী সিট ৩, মনিপুর, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মেঘালয়গী সিট ২-২, ছাতিসগর, মীজোরাম,নাগালেন্দ ,সিক্কিম,ত্রিপুরা,অন্দামান নিকোভর ইথৎ , জম্মু কস্মীর, লক্ষাদ্বিপ অমসুং পুদুচেরিগী সিট অমমমনি।

তাঙ্কক অসিগী স্ক্রুতিনি হয়েং পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ৩০নি। বিহারগী ওইনা মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা মথং থাগী অনিদনি। অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট মথং থাগী ১৯ দা থাদনগনি।

মরক অসিদা , অনিশুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা সিট ৮৯ গী নোতিফিকেসন হয়েং থোক্লগনি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদা মীখল পাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অসিদা কেরলাগী সিট ২০, করনাতক্কী সিট ১৪, রাজস্তানগী সিট ১৩,উত্তর প্রদেশ অমসুং মহারাস্ত্রাগী সিট ৮-৮, মধ্য প্রদেশক সিট ৭, অসাম অমসুং বিহারগী সিট ৫-৫, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং ছাতিসগরগী সিট ৩-৩, মনিপুর, ত্রিপুরা অমসুং জম্মু কস্মীরগী সিট অমমমনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী ৪ নি। মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি অদুমওইনমক জম্মু কস্মীরগী ওইনদি এপ্রিল ৬ তা ওইনা স্ক্রুতিনিপাঙথোক্কনি। তাঙ্কক অসিগী ভোট এপ্রিল ২৬ তা থাদনগনি।

**ওফিস(এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী ওফিস য়াওনা পব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কীং, কোওপরেসন, ওতোনোমস বোদি অমদি সোসাইতিশিং থা অসিগী ৩০ অমদি ৩১ ওফিস কাগনি হায়রি । মনিপুর সরকারগী জেনরেল এদমিনিস্ত্রেতিব বিভাগকী দিপ্যুতি সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমদা হায়-ফাইনান্সিয়েল ইয়র লোইশিল্লকপদা সরকারগী ওফিসশিং নিংথিনা থবক তৌবা য়ান্নবনি ।

**নোনে(এল)ঃ** মীখলগা মরী লৈননা নোনে জিলাদা পুলিসনা লাইসেন্স নোংমৈশিং য়ুম য়ুমদা চংদুনা লৌখৎপা হৌরে। নোনে পুলিসকী কাংবু অমনা ঙসি জিলা অসিগী লোংমাই ভিলেজতা য়ুম য়ুমদা চংদুনা লাইসেন্স নোংমৈশিং লৌখৎখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদসু ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফমশিংদা য়ুম য়ুমদা চংদুনা লাইসেন্স নোংমৈশিং লৌখৎপা হৌখ্রে ।

**থিয়েতর (এল)ঃ** ৱাল্ড থিয়েতর দেগী থৌরম থেয়েতর আর্টস এন্দ লিতরেচর এফ্লক্সনা শিন্দুনা জে.এন মনিপুর দান্স একাদমিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চহি ২-২ লৈরগা পীবা সলাম ইরাবট , সলাম ইবেমচা নিংশিং মনা, অসামগী হোজাইদগী অইবা লাইশোম গুলাপতা খুৎশিন্নখি। ঙসিগী থৌরমদুদা জে.এন.মনিপুর দান্স একাদমিগী দাইরেক্তর পি. বিলাস সিংহ, ইষ্ট্রন জোন কলচরেল সেন্তর কোলকত্তাগী বোর্দ ওফ গভর্নরসকী মেম্বর বুধা চিংথামনচিংবা শরুক য়াখি।

বনিয়ান রিপাতোরি থিয়েতর ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদসু ৱাল্ড থিয়েতর দেগী থৌরম বি.আর.টি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। নুমিৎ অসি থিয়েতর এন্দ এ কলচর ওফ পিছ হায়বা থিম অসিগী মখাদা পাঙথোকপনি।

**এৱার্নেস (এল) ঃ** ইনভাইরোনমেন্ত ফোরেস্ত অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রালয়গী মখাদা চীংদা লানমৈ চাকপা অমসুং মসিবু থীংনবা হোৎনবগী মতাংদা মীয়ামদা ভাব তাহনবগী এৱার্নেস কেম্প অমা তমেংলোং জিলাগী খানচুলুৱান খুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। লানমৈ চাকপা থীংনবা হোৎনবদা চংবা খুৎশু খুৎলায়শিংসু খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**ই.সি.আইঃ** হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা ইলেক্সন কম্মীসননা আই.টি.এপ অমসুং সিস্তেম ২৭ কী তেকোলোজি শিজিন্নগদৌরি। এপ অমসুং পোর্টেল শিজিন্নবা অসিনা মীরেপ ওইরিবশিং, মীয়াম অমদি ওফিসিয়েলশিংনা মীখলগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লিবশিংদা হেন্না লায়থোকহল্লগনি। পাউ খরনা হায়- ওন লাইন সুবিধা পোর্টেলগী খুত্থাংদা মীরেপশিংনা মখোয়গী মীরেপ চেশিং অমসুং এফিদেবিটশিং পীশিন্নরক্কি। মীরেপশিংনা মীখলগী মীতিং, রেল্লিনচিংবা পাঙথোকপগী অয়াবা পোর্টেল অসিদগী অয়াবা লৌরি।

ভোতর হেলফ লাইন এপকী খুত্থাংদা ওন লাইনদা ফোর্ম এপ্লাই তৌবা, পোল্লিং বুটকী অকুপ্পা ৱারোল য়েংবা য়াবা , ইপিক কার্দ য়েংবগী খুদোংচাবা পীরি।

**চান্দেল(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলনা নাগা ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন চান্দেলগা খুৎশমরগা মহৈরোইশিংগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ওরিয়েন্তেল একাদমি স্কুল রিভরলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হিরমনা চাইল্ড রাইটস - এনসুরিং দা রাইটস ওফ চিল্ড্রন হায়বসিনি।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** দি.এস.এফ বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা চহি ১৫ মখাগী নুপা মচাশিংগী ওইবা ৮ শুবা ইবোতোন মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুথ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসননা রাইজিং ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অদুগা ক্রাও অমসুং রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তর অনিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচতা পাঞ্জল অমত্তনা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। অদুগা টি.ৱাই.দি.এনা সোসিয়েল ৱেলফ্যার ক্লব বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**খোল্লো(এল)ঃ** রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস বিভাগকী মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খেল্লো হন্দিয়া টেবল টেনিস ত্রেনিং সেন্তর অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল তেনিস এসোসিয়েসনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হাংদোকখ্রে। থৌরমদুদা হায়তেক টি.টি রোবোটকা টেবল টেনিস ত্রেনি শান্নরোইশিংগী একজিবিসন মেটচ অমসু উৎখি।

**একজামঃ** কম্মন য়ুনিভার্সিতি এন্ত্রান্স তেস্ (কুৱেট)অন্দর গ্রেজ্য়েট পারিক্ষাগীদমক ওনলাইনগী খুথাংদা এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনবগী মতম থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংথোক্লে। মসি হান্নদি মার্চ ২৬ ফাওবা ওইরম্বনি। য়ু.জি.সিগী চিয়রমেন এম.জগাদেশ কুমারনা হায়- কেন্দিদেদশিং অমসুং অতৈ স্তেকহোলদরশিংনা হায়জরকপগী মত্ং ইন্না ফোর্ম পিশিনবগী মতম শাংদোকবা ৱারেপ লৌখিবনি। কুৱেট অন্দর গ্রেজ্য়েট ২০২৪ পারিক্ষা অসি ভারতকী মপানদা লৈবা সহর ২৬ য়াওনা লৈবাক অসিগী সহর ৩৮০ দা পাঙথোক্কনি।

**অসাম ঃ** অসামদা লাক্লিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা মফম কয়াদা পুলিসনা থীবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখ্রি। করিমগঞ্জ পুলিসনা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইননা য়াদবা য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌ ফাগৎপা ঙমখি। গোলপোরা পুলিসনা মীওই অমদগী সাপোন কেপ মরিদা হাপম্বা দ্রগ ফাগৎপা ঙমখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা সোনিপুর পুলিসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী মীওই অমা হেরোইনগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙল্লে। মীওই অদুনা প্লাস্তিক অমদা হেরোইশিং অদু হাপ্লগা য়োল্লমবদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। চীরাং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মফম কয়াদা থীবা হুম্বগী থবক্ত চখবদা আইননা য়াদবা য়ু লিশিং ৮ অমসুং য়ু শুংবদা চংবা পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

রাজ্য পুলিসনা লাক্কদৌরিবা মীখল শান্তি লৈনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক মফম কয়াদা চেকপোস্ত হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চখ্রি।

**এন.আই.এঃ** আই.পি.এস ওফিসর সদানন্দ বসন্ত দাতেবু নেসনেল ইনভেস্তিগেসন এজেন্সি এন.আই.এগী দাইরেক্তর জেনরেল ওইনা হাপখ্রে। ইং ১৯৯০ বেটসকী আই.পি.এস ওফিসর অসি হৌজিক হৌজিক মহারাস্ত্রা এন্তি তেরোরিজম স্কুৱাটকী মকোক ওইরিবনি। কেন্দ্রগী পরসনেল মন্ত্রালয়না হায়- কেবিনেটকী এপোইন্তমেন্ত কম্মীতিনা শ্রী সদানন্দ বসন্তপু ইং ২০২৬ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা এজেন্সি অসিগী দাইরেক্তর জেনরেল ওইবদা অয়াবা পীখ্রে।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)  মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগী মীরেপ চে পীশিনবগী ঙসি অরোইবা নুমিৎ ফাওবদা ইন্নরদা মীরেপ ৭ অমসুং আউতরদা মীরেপ মরিনা মীরেপ চে পীশিল্লকখ্রে। হয়েং স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি।

২)  অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এপ্রিল ১৯ দা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র পুমমক অমসুং আউটরগী বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ দা ভোৎ থাদনগনি।

৩)  সেক্যুরিতি ফোর্স অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক থৌবাল জিলাগী থ্বারোক চীংদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা -নোংমৈ অমদি বোম কয়া ফাগৎখ্রে।

৪)  লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা মনিপুর য়াওনা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোতির মরিগী লোক সভা সিট ১০২ দা ভোট থাদনগনি।

**অমসুং**

৫)  হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা ইলেক্সন কম্মীসননা আই.টি-এপ অমসুং সিস্তেম ২৭ কী তেকোলোজি শিজিন্নগদৌরি।

**--- পাউ লোইজরে---**